# লিওনার্দো দিকেপ্রিওনা বেষ্ট এক্টরগী ওস্কার ফংখ্রে



হোলিৱুদ, ফেব্রুৱারী ২৯ : তরুক্লক হন্না নোমিনেসন ফংলবা মতুংদা হোলিৱুদকী শক্লাইরবা এক্টর লিওনার্দো দিকেপ্রিও মহাক্কী অহানবা ওস্কার ফংখ্রে। "দ রেভনন্ট" দা মহাক্না লৌরিবা মরু ওইবা রোল অমদা মহাক্না উৎলিবা পার্ফোমেন্স অদুগীদমক্তা দিকেপ্রিওনা বেষ্ট এক্টরগী ওস্কার অদু ফংখিবনি।

মহাক্কী এক্টিং পার্ফোমেন্সপু ইকাই খুম্নরদুনা পীরিবা বেষ্ট এক্টরগী এৱার্ড অদুবু লৌরদুনা দিকেপ্রিওনা হায়খি, "ঐখোয়না ঐখোয়গী প্লানেট অসিবু তরাই তরাইনা লৌরোইসি। ঙসিগী নুমিদাং অসি ঐহাক্না তরাই তরাইনা লৌদে।"

বৃটিশ মচাশিং মার্ক রিলেন্স অমসুং সাম স্মিথনা বেষ্ট সর্পোটিং এক্টর অমসুং বেষ্ট ওরিজিনেল সোং ফংখি। ওস্কার ১০গীদমক নোমিনেট তৌখিবা - "মেদ মেক্স: ফ্যুরি রোদ" না ওস্কার তরুক ফংখ্রে। মদুগী মনুংদা বৃটিশ মচা জেন্নি বেভনসু য়াওখি। ফিল্ম অদুদা মহাক্না পাঙথোকখিবা শীংথানিংঙাই ওইরবা কষ্ট্যুম দিজাইনিংগী থবক্কীদমক্তা বৃটিশ নুপী অসিনা বেষ্ট কষ্ট্যুম দিজাইনগী এৱার্ড ফংখিবনি।

'রূম' হায়বা ফিল্মদা মহাক্না উৎলিবা পার্ফোমেন্সকীদমক্তা ব্রি লার্সনবু বেষ্ট এক্ট্রেস তারে হায়না লাউথোকখি।

লিওনার্দো দিকেপ্রিওনা বেষ্ট এক্টরগী এৱার্ড অদু লৌবা মতমদা তিল্লিবা মীয়াম্না মতম শাংনা লেপ্পুনা খুবাক খুদুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখি। হিংননবগী লানফমগী ৱারীদা যুম্ফম ওইবা ফিল্ম অদুগীদমক্তা অলেজান্দ্রো ইনারিটুনা বেষ্ট দিরেক্টরগী এৱার্দসু ফংখি।

বেষ্ট দিরেক্টরগী এৱার্দ লৌখিবা ইনারিটুনা হায়খি, "ঐখোয়বু মাঙনিংঙাই ওইরবা ৱাখলদগী নিংখা তম্নবা হোৎনজবা হায়বসি ঐখোয়গী মীরোলগী খ্বাইদগী চাউবা খুদোংচাবনি।" মহাক্না কনাগুম্বা মীওই অমগী হকচাংগী কুচুদা মীৎয়েং চঙবা হায়বসি মখোয়গী মশমগী অশাংবা য়েংবগা কান্নদবা মান্নে হায়খি। কুমজা ২০১৫গী ফিল্ম 'বর্দমেন'গীদমক্তা প্রদ্যুসর ওইনা বেষ্ট পিকচর অমসুং বেষ্ট ওরিজিনেল স্ক্রিনপ্লে (কো-রাইটর ওইনা) অমসুং বেষ্ট দিরেক্টরগী ওস্কারশিং ফংখ্রবা মতুংদা হন্দক্কীসিনা ইনারিটুগী মরিশুবা ওস্কারনি।

কুমজা ১৯৫০গী মতুং খরা লৈরগা ন্যু য়োর্কতা ফাখিবা থাঙ্গৈশেংবা সোভিয়েট ইন্টেলিজেন্স ওফিসর রদোল্ফ অবেলগী শক্তম লাংখিবগীদমক্তা বেষ্ট সপোর্টিং এৱার্দ ফংখিবা রিলেন্সনা হায়খি, "ঐহাক্না মতম পুম্বা ৱারীশিংবু পামখি, ৱারী তাবা, ৱারীশিংদু সিনেমা দ্রামাদা য়েংবা অমসুং ৱারীশিংদুদা মহাকপুসু য়াওবা পুম্নমক মহাক্না পামখি। মরম অদুনা ঐখোয়গী মতমগী খ্বাইদগী ফাওরবা ৱারী লীবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ষ্টিভেন স্পিলবর্গকা থবক তৌমিন্নবগী তাঞ্জা অমা ফংবা হায়বসি ঐহাকপু ইকাই খুম্নবীবা অমনি হায়না লৌজে" হায়না সিলভিষ্টর ষ্টেল্লন, মার্ক রফেলো অমসুং ফেলো বৃটিশ মচাশিং ক্রিষ্টিয়ন বেল অমসুং তোম হার্দিবু মায়থীবা পীদুনা এৱার্দ অদু লৌখিবা রিলেন্সনা ফোঙদোকখি।

বোন্দ ফিল্ম 'স্পেক্টর' দা মশাগী ঈশৈ য়াওখ্রবা মশাদা চাউথোকচবা পোকচবা 'গে মেন' স্মিথনা লোস এঞ্জেলিসকী দোলবি থিয়েটরদা পাঙথোক্লিবা চীং লেল্লবা ৮৮ লকশুবা একাদেমি এৱার্দশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা তিল্লিবা মীয়ামদা হায়খি, "ঐহাক ইফোং ফোংনা গে ওইবা (হোমোসেক্স্যুএল মীওই) ওস্কার অমা ফংবা ঙম্বা অহানবা মীশক্নি হায়না ইশানা থাজজে।" মহাক্না এৱার্দ অদু লৌবদা মহাক শ্বর হোনবা থোকখিদে, ফেলো নোমিনি পুম্নমক অচৌবা অঙকপা মীওই ঙাক্তনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# পাকিষ্টানদা গভর্নর হাৎপদা চেন্নবা এক্স পুলিসমেন শিবগী চৈরাক পীখ্রে

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ২৯ : কুমজা ২০১১ দা হান্নগী পঞ্জাবকী গভর্নর সলমান টসিরবু হাৎখিবগীদমক পাকিষ্টানি ওথোরিটিশিংনা ঙসি কম্মান্দো মমটাজ কাদ্রিবু শিবগী চৈরাক পীখ্রে।

কুমজা ২০১১গী জন্যুৱারী ৪ দা ইস্লামাবাদকী কোহসার কৈথেলদা হান্নগী গভর্নর টসিরবু নোংমৈনা ২৮ লক কাপখিবগীদমক্তা এন্টি টেররিজম কোর্ট অমনা কনভিক্ট তৌরবা মতুং কুমজা ২০১১গী ওক্টোবরদা মহাকপু শিবগী চৈরাক পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা হান্নগী কম্মান্দো কাদ্রিবু রৱলপিন্দিদা লৈবা অদিয়ালা জেলদা মঙক্তা থৌরী থুদুনা হাৎখিবনি।

হান্নগী গভর্নর টসিরনা পাকিষ্টানগী এন্টি-ব্লাসফেমি লোশিংবু ক্রিটিসাইজ তৌখিবগীদমক্তা কাদ্রিনা মহাকপু নুংথিল পোবোবদা নোংমৈনা হঞ্জিন-হঞ্জিন কাপ্পুনা হাৎখিবনি হায়না পাকিষ্টানদা নুংতিগী ফোঙবা পাউচে অমনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চহীদা সুপ্রিম কোর্টনা মহাক্কী কনভিক্সন অদু য়াথ্রবা মতুংদা কাদ্রিনা প্রসিদেন্ট মামনুন হুসেনদা ঙাকপীনবা হায়জখিবনি।

করিগুম্বা কাদ্রিবু হেঙ্গ তৌবা তারবদি লৈবাক শীনবা থুংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা খোঙজংশিং চঙশিনগনি হায়না লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা গ্রুপশিংনা কিহনবা লৈখ্রবনি।

মীয়ামগী ঈরাং থোক্লকপা মতমদা অশোয়-অঙাম থোক্তনবগীদমক্তা প্রসিদেন্টকী ইমুংগী মীওইশিং করাচিদগী ইস্লামাবাদতা হোংদোকখিবনি। থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবগীদমক্তা জেলগী মনুং অমসুং মপান্দা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখি অমসুং লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সীজ (এল ঈ এ)গী পার্সনেলগী ওইবা অচৌবা কন্টিঞ্জেন্ট অমসু দিপ্লোই তৌখি।

# মার্চ থাদা গ্রিসতা রিফ্যুজী ৭০,০০০ রোম চৎফম খঙদনা লৈরবা য়াই



ন্যু য়োর্ক, ফেব্রুৱারী ২৯ : মিদ্দল ইষ্ট অমসুং অতৈ লৈবাকশিংদগী লাঞ্জেন্নরকখিবা রেফ্যুজী লিশিং কয়া চৎফম অমসুং হনফম খঙদনা লৈখিবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা মেসিদোনিয়া অমসুং গ্রিসকী ঙমখৈ পরিংদা অচৌবা হ্যুমেনিটেরিয়ন চেলেঞ্জ অমা লাকপগী ফীভম লৈরে হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

লমদম অদুদা শাবগী চাং নেমথরকখিবগা লোয়ননা রেফ্যুজীশিং ৱাখলদা টেন্সন হেনগৎলকখি অমসুং রেফ্যুজী কয়ানা মখোয়গী খোঙচৎ অদু মখা তানা চঙশিনবা ঙম্লরোই হায়বগী অকিবা ৱাখলগা লোয়ননা ঙসিসু মখোয়বু বোর্দর লানশিলহন্নবা তকশিনখি।

হৌজিক ফাওবদা বলকানগী লৈবাক মরিনা নুংতিগী ওইনা মখোয়গী লৈবাক্তা চঙশিল্লকপা রেফ্যুজীশিংগী মশীং কক্খিবগা লোয়ননা ওষ্ট্রিয়ানসু লৈবাকসিদা চঙশিন্নবা ঙাইদুনা লৈরিবা রেফ্যুজী লিশিং কয়া বোর্দর থিংজিন্দুনা চঙবা য়াহনখিদ্রে। লৈবাক কয়ানা মখোয়গী বোর্দরশিং থিংজিন্নখিবগা লোয়ননা য়ুরোপতা চঙবগী মরুওইবা গেটৱে ওইরিবা গ্রিসতা রেফ্যুজী কয়া মশীং খঙদনা চৎফম তৌফম খঙদনা লৈরে হায়রি। মীয়াম্না নোংচুপ অমসুং নোংপোক থংবা য়ুরোপতা চঙশিন্নবা হোৎনরকপদা লৈবাক কয়ানা বোর্দর থিংজিল্লকখিবনা মরম ওইদুনা রিফ্যুজী কয়া তঙাইফদনা হান্নদগী মী হেন্দোক্না লৈরবা কেম্পশিংদা থোমজিন্নখ্রে। হৌজিক্কী ওইনা ইরাকি অমসুং সিরিয়ন খরদমক বোর্দর লানবা য়াহল্লি হায়রি।

গ্রিসকী ওফিসলশিংনা হায়রি মদুদি, লৈবাক অদুদা থোকফম চৎফম খঙদনা লৈরিবা রেফ্যুজীশিংগী মশীং লাক্লিবা চয়োল খরসিদা ৭০,০০০ য়ৌরবা য়াই।

চৈরকসিদা, নেটোনা স্মগ্লরশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎননবা পায়খৎলকপা থৌরাং অমনা রেফ্যুজীশিং চঙশিল্লকপগী চাং শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থরক্লবা য়াই হায়রি।

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা য়ুরোপ অসি হৌজিক খ্বাইদগী চাউবা মাইগ্রেসন ক্রাইসিসকী অনীশুবা চহীদা লৈরিবনি।

"ঐখোয়না পাবগী মতুংইন্না ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা চৎফম হনফম খঙদনা লৈগদবা রেফ্যুজীশিংগী মশীং ৫০,০০০ দগীনা ৭০,০০০ ফাওবা ওইবা য়াই। মসি লাক্লিবা মার্চ থা ফাওবগী ওইনা পাবদনি" হায়না গ্রিসকী ইমিগ্রেসন মিনিষ্টর য়ানিস মোজালাসনা গ্রিক মেগা টিভিদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, হৌজিক ফাওবদা গ্রিসতা মাইগ্রেন্ট অমসুং রেফ্যুজী ২২,০০০ রোম চৎফম খঙদনা লৈরি। মেসিদোনিয়াগা লোন্নবা গ্রিসকী নোরর্দন বোর্দরদা লৈবা অপীকপা কম্যুনিটি অমা ওইরিবা ইদোমিনিদগী অল জজীরাগী হোদা অব্দেল হমিদনা হায়খি, "ওথোরিটিশিংদা প্রেসর পীনবগীদমক্তা রেফ্যুজী মীয়াম্না রেলৱে থিংজিনখ্রে। রেলৱে থিংজিনবগী খোঙজং অদুনা মেসিদোনিয়াগা লোন্নবা বোর্দর হাংলক্কনি হায়না মখোয়না থাজরি।

# এঞ্জেলা মর্কেলনা রেফ্যুজীশিংগী ওইনা বোর্দর হাংবগী পোলিসি অচুম্বনি হায়খ্রে



ফ্রেঙ্কফর্ট, ফেব্রুৱারী ২৯ : রেফ্যুজীশিং চঙলকপগী মতাংদা মহাক্কী গভর্ণমেন্ট মনুংদা খেন্নবা মতশিং ফোঙদোক্লরবসু মহাক্কী লৈবাক্তা চঙলল্লিবা রেফ্যুজীশিংগী মশীং কক্পগী ৱাফম য়াখিদবগা লোয়ননা জর্মন চান্সেলর এঞ্জেলা মর্কেলনা ঙসি মাইগ্রেন্টশিংগী ওইনা মহাক্না চৎনহল্লিবা ওপন দোর পোলিসি অদু চৎফম থোকপা অচুম্বা পোলিসিনি হায়খ্রে।

জর্ম্মনিনা লৌশিনবা ঙম্বা রেফ্যুজীশিংগী মশীংদা লিমিট থম্বগী মতাংদা মহাক্না লৌখৎলিবা খোঙথাং অমা ওইনা টর্কিগা কোওপরেসন পীনবগী খুথাংদা মাইগ্রেন্টশিংগী মশীং হন্থহনবগী পান্দমদা "প্লান বি" হায়বা লৈতে হায়না মর্কেলনা ফোঙদোকখ্রে।

"করিগুম্বা মতমদা ঐহাকসু মীপাইবা ফাওই। থবক খরদি অদুক্কী মতিক তপই। য়ুরোপতা চয়েৎনবা ৱাফম কয়ামুক লৈ" হায়না মর্কেলনা ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর এ আর দিদা ফোঙদোকখি। "তৌইগুম্বসুং য়ুরোপ পুম্বনা য়ানবা লম্বী অমা পুথোকপদা তৌফম থোকপা খুদিংমক তৌবা হায়বসি ঐহাক্কী ইথৌদাংনি" হায়না চান্সেলর মর্কেলনা হায়খি।

মর্কেলনা রেফ্যুজীশিং চঙলকপদা লিমিট লৈহন্দনবা জর্ম্মনিগী বোর্দরশিং হাংদুনা থম্বগী তঙাই ফদবা মরমশিং ফোঙদোকখি। অমরোমদা জর্ম্মনিদা চঙনিংবা রেফ্যুজীশিং চঙহন্নবা মহাক্কী লৈবাক্কী বোর্দরশিং হাংদুনা থম্বগী ৱাফম অদু জর্ম্মন কয়া অমসুং কোলিসন গভর্ণমেন্টদা য়াওরিবা কয়ানা ইফোং ফোংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি।

"ঐখোয়গী থোঙ্গালদা অসুক্কী মতিক ঈরাং থোক্লে অমসুং অৱাবা নংনরে। তুং কোইনগী ওইনা জর্ম্মনিনা তৌগদবা অচুম্বসি করিনো? মতাং অসিদা ঐহাক্কী অপাম্বদি য়ুরোপপু কাইহন্দনা থম্নবা হোৎনবা অমসুং মীওইবগী মীনুংশি উৎপনি" হায়না মর্কেলনা হায়খি।

মতম অমদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নরম্বা মর্কেল মহাক্কী রেফ্যুজীশিংগী ৱাথোক হেন্দল তৌবগী থৌওংদা মীয়াম্না পাম্নরক্তবগী মওং অমা লাকখি। হৌখিবা ফেব্রুৱারীগী অঙনবা শরুক্তা পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এ আর দিনা সর্ভে তৌখিবশিংগী মনুংদা অয়াম্বনা মহাক্কী থৌশিলদা পেন্দবা ফোঙদোক্লখি।

হৌখিবা চহীদা জর্ম্মনিনা লৈবাক অদুদা চঙজফম থিবা মীরৈবাক মচা মিলিয়ন ১.১ লৌশিনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী পোলিটিকেলগী সেক্সন কয়াদগী সিরিয়া, অফঘানিষ্টান অমসুং অতৈ লৈবাকশিংদগী লাঞ্জেল্লকপদা অমসুং লৈতা লায়রা থিবদা য়ুরোপতা চঙশিল্লক্লিবা রেফ্যুজীশিংবু হেন্দল তৌবগী মওং হোংদোকহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লরকখি।

মর্কেলনা চহী তরা ওফিস পায়রকপদা হৌজিক খ্বাইদগী চাওবা শীংনবা মায়োক্নরি। মহাক্না হৌজিক মাইগ্রেন্টশিং দিল তৌনবা য়ুরোপ পুম্বগী ওইবা থৌরাং অমা লৈহন্নবা হোৎনরি।

মর্কেলনা লাক্লিবা মার্চ ৭ তা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লীদরশিং অমসুং টর্কিগী মরক্তা পাঙথোক্কদবা ৱারী শান্নবা অমসুং মার্চ ১৮ অমসুং ১৯ দা পাংথোক্কদবা মাইগ্রেসনগী সম্মিটতা মহাক্কী থাজবা থল্লি।

# সোমালিয়াগী টাউনদা ইস্লামিষ্ট গ্রুপ অল সবাবনা এটেক তৌদুনা মীওই ৩০ হাৎখ্রে



মোগাদিসু, ফেব্রুৱারী ২৯ : ঙসি বাইদোৱা টাউনদা সোমালিয়াগী অল সবাব ইস্লামিক গ্রুপনা মী চিনবা জঙ্কসন অমা অমসুং মনাক নকপদা লৈবা রেষ্টোরেন্ট অমদা চথখিবা সুইসাইদ বোম্মিং এটেকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ শিখ্রে হায়না পুলিস অমসুং গ্রুপ অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা শৌগৎপা সোমালিয়াগী গভর্ণমেন্টবু চিংথুনবা হোৎনবদা অল সবাবনা কেপিটেল অমসুং অতৈ মফম কয়াদা অসিগুম্বা সুইসাইদ এটেকশিং তোইনা চথৈ। অল সবাবনা হোর্ন ওফ অফ্রিকা হায়না খঙনবা লৈবাক অসিদা অকনবা ইস্লামিক লাইনিং লাইশোনগী পথাপ্পা য়ুম্ফম ওইবা লৈঙাক অমা লৈহনবা পামই।

"ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংনা বোম্মিং এটেকশিং চথখিবা রেষ্টোরেন্ট অমসুং জঙ্কসন অদু থবক য়াম্না চিল্লম্মী" হায়না পুলিস মেজর বিলো নুরনা বাইদোৱাদগী রোইটর্জদা ফোঙদোকখি। বাইদোৱা টাউন অসি কেপিটেল মোগাদিসুদগী অৱাং নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ২৪৫ রোম লাপ্পা লৈ হায়রি।

পুলিসকী কর্নেল অব্দী ওসমান্না এটেকশিং অদুদা মীওই ৩০ শিখি অমসুং অতৈ ৪০ না শোকখি হায়না ফোঙদোকখি।

হোস্পিটাল অমগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা হোস্পিটাল অদুদা পুরকখিবা অশিবা হকচাং কয়া মশক লৌবা য়াদবমখৈ কারে হায়খি।

থৌদোকশিং অদু করম্না থোকখিবগে হায়বগী মতাংদা পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি, সুইসাইদ কার বোম অমা জঙ্কসন অদুদা পোকখায়খি অদুগা হান্না প্লান্ট তৌখিবা বোম অমা রেষ্টোরেন্ট অদুদা পোকখায়রকখি। রেষ্টোরেন্টদা চথখিবা এটেক অদুসু সুইসাইদ বোম্মিং এটেক ওইরম্বসু য়াই হায়রি।

চৈরকসিদা, অল সবাবকী মিলিটরি ওপরেসনগী স্পোক্সমেন শৈইখ অব্দীয়াসিস অবু মুসাবনা রাইটর্জদা হায়খ্রে মদুদি, মখোয়না গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিং অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিং টার্গেট তৌখি অমসুং এটেক চথখিবা মফম অদুগী মনাক্তা পুলিস ষ্টেসন অমসু লৈখি।

ইসমাইল ওলাদ কৌবা মীওই অমনা রোইটর্জদা হায়খি মদুদি, মিলিটেন্টশিংনা এটেক তৌখিবা মফম অনীমক মীচমশিং অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থন্না লৈখি।

"মী চিনবা জঙ্কসন অদুদা ঐহাক্না গাড়ী থেংজিন্নবগুম্বগী অহৌবা মখোল অমা তাখি অমসুং ঐহাক্না চেনবগা লোয়ননা মনাক নক্না লৈবা রেষ্টোরেন্ট অমদসু অতোপ্পা পোকখায়বগী মখোল অমসু তাখি। মফম অপুম্বদু মৈখূনা পুংমম্ মম্খি" হায়না মহাক্না হায়খি।

ঙসিগী এটেকশিং অদু হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা মোগাদিসুদা পার্ক অমসুং হোটেল অমগী মনাক্তা থোকখিবা কার বোম পোকখায়বগী থৌদোক্কী মতুংদনি। থৌদোক অদুদা মীওই ১৪ শিখিবগা লোয়ননা অল সবাব গ্রুপকী মিলিটেন্ট অহুমসু য়াওখিবনি।

# আই এসকী বোম্মিংদা শিখিবা মীশিং ৭৩ য়ৌরে

বাঘদাদ, ফেব্রুৱারী ২৯ : বাঘদাদকী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা কৈথেল অমদা ঙরাং ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা পরিং নাইনা চথখিবা কিনিংঙাই ওইরবা এটেকশিংদা শিখিবা মীগী মশীং ঙসি ৭৩ য়ৌখ্রে।

এটেকশিং অদুদা ফীভম থীনা শোকখিবা মীওই কয়া ঙরাং অহিং শিখি লোয়ননা মীওই ১১২ হৌজিকসু হোস্পিটালদা লায়কন্নরি হায়না পুলিসকী ওফিসল অনীনা ফোঙদোকখি।

সাদর সীটিগী সিয়াইট দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মী ক্রিক-ক্রিক ইন্নগা চিনখিবা শ্রেদি কৈথেলদা বোম্মিং এটেক চথরবা মতুং সুইসাইদ বোম্মর অমনা থৌদোক থোকফমদা ভিক্টিমশিংবু মতেং পাংনবা পূনশিল্লকখিবা মীয়াম মরক্তা অনীরকশুবা এটেক চথরকখিবা মতুংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫ থিবা খঙদ্রি হায়রি।

ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা এটেকশিং অদুদা শিখিবা মীগী মশীং ৫৯ নি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা মেদিকেলগী ওফিসর অহুম্না ইনৌ নৌবা ওইনা পূম্না মীওই ৭৩ শিরে হায়না ঙসি কনফর্ম তৌখিবনি।

মিদিয়াদা পাউ পীবগী অয়াবা পায়দবনা মরম ওইদুনা ওফিসলশিং অদুনা মখোয়গী মশক মমিংশিংদি ফোঙদোকখিদে। ইরাককী প্রাইম মিনিষ্টর হাইদর অল অবাদিনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা মরাল লৈজদ্রবা মীচমশিংগী মায়োক্তা টেররিষ্টশিংনা মখা তানা ক্রাইম কয়া চথবা থিংনবগী থবকশিং পায়খৎনবা অপিল তৌখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা প্রাইম মিনিষ্টর অল অবাদিনা হায়খি, টেররিষ্টশিংগী এটেকশিং অদুনা ঐখোয়গী থবক্তা অপনবা পীবা ঙম্লোই, অহোয়নদুম মখোয়গী ফৎত্রবা থবকশিং অদুনা ঐখোয়গী আর্মি অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী ফীরেপ হেন্না চেৎশিনহনগনি।




# EMPLOYMENT NEWS

## PGCIL Recruitment 2016

Power Grid Corporation of India Ltd. (PGCIL) invites application for the post of 244 Executive Trainee – 21st Batch. Apply Online before 12 February 2016. (Extended up to 09 March 2016)

| | | |
|---|---|---|
| Post Name | : | Executive Trainee |
| No. of Vacancy | : | 244 Posts |
| Pay Scale | : | Rs. 24900-50500/- |
| Disciplines wise Vacancies : | | |
| Electrical | : | 208 Posts |
| Electronics | : | 15 Posts |
| Civil | : | 16 Posts |
| Computer Science | : | 05 Posts |

Eligibility Criteria for PGCIL Recruitment :
Educational Qualification : Full Time B.E./ B.Tech/ B.Sc (Engg.) from recognized University/ Institute Minimum 65% or Equivalent CGPA with Valid Score in the GATE 2016.
Nationality : Indian
Age Limit : 28 years As on 31.12.2015
Age relaxation :
For SC Candidates : 5 Years
For OBC (Non Creamy layer) Candidates : 3 Years
For PwD Candidates : 10 Years
Job Location : All India
Selection Process : Selection Process consists of marks obtained (out of 100) in the corresponding paper of GATE 2016, Group Discussion & Personal Interview.
How to Apply PGCIL Vacancy : Interested Candidates may apply Online through the website www.powergridindia.com from 15.01.2016 to 29.02.2016. (Extended up to 09.03.2016)
Important Dates To Remember :
Starting date For Submission of Online Application : 15.01.2016
Last Date for Submission of Online Application : 09.03.2016
Important Links :
Detail Advertisement Links : http://www.powergridindia.com/_layouts/PowerGrid/WriteReadData/file/career/cc/et21/Detailed%20Advt_ET_21.pdf
Notice : http://www.powergridindia.com/_layouts/PowerGrid/WriteReadData/file/career_16_02_2016.pdf
Apply Online : http://www.powergridindia.com/_layouts/PowerGrid/User/ContentPage.aspx?PId=166&LangID=English

## PGCIL Recruitment – 19 Field Supervisors Vacancy

Power Grid Corporation of India Ltd. (PGCIL) invites application for the post of 19 Field Supervisors on contract basis for Jharkhand Consultancy Project in ER-I. Apply before 17 March 2016.
Post Name : Field Supervisors (Civil & Electrical)
No. of Vacancy : 19 Posts (Civil – 13 Posts & Electrical – 06 Posts)
Pay Scale : Rs. 23000/- (Per month)
Eligibility Criteria for PGCIL Recruitment :
Educational Qualification : Diploma Engineering in Civil/Electrical Discipline from recognized technical Board/ Institute with minimum 55% marks.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 29 years As on 17.03.2016
Age relaxation :
For SC Candidates : 5 years
For OBC (Non Creamy layer) Candidates : 3 years
Job Location : Jharkhand
Selection Process : Selection will be made on Written Test & Computer Skill Test.
Application Fee : Candidates have to pay Rs. 100/- through Demand Draft in favour of Power Grid Corporation of India Ltd. Payable at Patna. SC/ST/PwD/Ex-Servicemen candidates are exempted from application fee.
How to Apply PGCIL Vacancy : Interested Candidates may apply in prescribed application along with attested copy of Caste(SC/ST/OBC-NCL)/ Disability (PwD)/ Discharge (Ex-SM) certificate and non-refundable application fees send by Ordinary Post to The Advertiser (JCP, ER1) Post Box No.- 9248 Krishna Nagar Head Post Office Delhi – 110 051 on or before 17.03.2016. super scribing the envelop with "Application for Post Code …………… in POWERGRID, JCP, ER-I".
Important Dates To Remember :
Last Date for Submission of Application : 17.03.2016
Tentative Date of Written Test : 03.04.2016
Important Links :
Detail Advertisement Links : http://www.powergridindia.com/_layouts/PowerGrid/WriteReadData/file/career/ER1/2016/2/ER1_Detailed_Advertisement.pdf
Download Application Form : http://www.powergridindia.com/_layouts/PowerGrid/WriteReadData/file/career/ER1/2016/2/Application_Form_JCP.pdf

## PGCIL Recruitment – 51 Diploma Trainee, Junior Officer Trainee & Assistant Vacancy

Power Grid Corporation of India Ltd. (PGCIL) invites application for the post of 51 Diploma Trainee (Electrical), Junior Officer Trainee (HR) & Assistant (Finance & Accounts). Apply Online before 14 March 2016.

| | | |
|---|---|---|
| Post Name | : | Diploma Trainee (Electrical) |
| No. of Vacancy | : | 43 Posts |
| Pay Scale | : | Rs. 16500/- (Per month) |
| Post Name | : | Junior Officer Trainee (HR) |
| No. of Vacancy | : | 04 Posts |
| Pay Scale | : | Rs. 16500/- (Per month) |
| Post Name | : | Assistant (Finance & Accounts) |
| No. of Vacancy | : | 04 Posts |
| Pay Scale | : | Rs. 12500-27500/- |

Eligibility Criteria for PGCIL Recruitment :
Educational Qualification :
For Diploma Trainee : Diploma in Electrical Engineering from recognized technical board/ institute with 70% marks for General/ OBC (NCL) candidates and pass marks for SC/ST/PWD candidates.
For Junior Officer Trainee : Post Graduate Diploma in Personal Management/ MSW or equivalent from recognized institute with 55% marks in aggregate for General/OBC(NCL)/ST Category candidates and pass marks for SC/PWD candidates.
For Assistant : B.Com. with first division for General/OBC (NCL)/ ST candidates and pass marks for SC candidates, from a recognized University/ College.
Nationality : Indian
Age Limit : As on 14.03.2016
For Diploma Trainee & Junior Officer Trainee : 27 years
For Assistant : 28 years
Age relaxation :
For SC Candidates : 5 years
For OBC (Non Creamy layer) Candidates : 3 years
Job Location : All India
Selection Process : Selection will be made on Written Test & Computer Skill Test.
Application Fee : Candidates belonging to General/OBC have to pay Rs. 300/- (for Diploma Trainee & Junior Officer Trainee) & Rs. 200/- (for Assistant) through Challan. SC/ST/PWD/Wx-Servicemen/Departmental Candidates are exempted from the payment of application fee.
How to Apply PGCIL Vacancy : Interested Candidates may apply Online through the website www.powergridindia.com from 19.02.2016 to 14.03.2016.
Important Dates To Remember :
Starting date For Submission of Online Application : 19.02.2016
Last Date for Submission of Online Application : 14.03.2016
Last Date for Payment of Application Fee Through Challan : 17.03.2016
Important Links :
Detail Advertisement Links : http://www.powergridindia.com/_layouts/PowerGrid/WriteReadData/file/career/SR2/2016/2/SR2_Recruitment_Detailed_Advertisement.pdf
Apply Online : https://careers.powergrid.in/sr2-recruitment/t/